জুন ১৫ - মালেমদা লৈরিবা অহল-লমনশিংবু তাথী তাওইনা তৌবীদনবা পাউজেল পীরিবা নুমিৎ

-ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী -

“হে অহল নমিত্তু উদব্রা?” চহী তরেৎমুক্কী মমাঙদনি, বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুরগী ওফিসতা থবক অমগী চৎপনি। চিনখ্রবা মফমদুদা ঐখোয়’ মপানা গাড়ী মমায় লৈথোক লৈশিন তৌবদা চাখিবা খোন্থীনি। অফাওবা শাবদু চহী নিফুমুক্কী লেঙ্গা ওইরমদৌবা মাল্লি। মমল য়াম্বা মাগী গাড়ীদুদা শম্না মফৈ অমগী চাং খেৎখিবসু নত্তে, থেংগেতমক তৌরুবনি। বোক হিংচাবদু মঙায় মানা লাউ খোংবদু। ঐখোয়’ মপানা নুপী ঙন্তানা থিরম্লবদি মাবু পোকপা য়ারিবনি। মথক্কী অহলনি হায়বগী থৌগল্লোন মচেৎ অমত্তসু মাগী লৈয়েংদুদা নপ্তে। ঐ য়াওরমদ্রবদি লান মচা অমদি থোক্লম্বসু য়াই। পাবুং, খুরা, তাদা, মামা হায়বগী মহুত্তা ***“অহল অহল”***হায়বসি ঐখোয়’ মপাগী অশাউবীনি। করিগুম্বা মতমদদি অদুম্না কৌরক্লিবা মীদুদা অখাবা মীৎয়েং য়েংলগা ৱা-লান অমত্তা ঙাঙদনা তূমিন্না লৈথোকপকসু য়াওরিপোৎনি। হায়সু হায়বনি, খঙহৌদনা শীজিন্নরকখিবা ৱাহৈসে তাবদা য়াম্না নুংঙাইতে। লাইরিক লাইশু হৈবা মীগী মশীং য়ামখৎলে, চাওখৎলে হায়রিবা মতমসিদনা অহল লমনশিংবু থৌশাবীদবা, তাথী তাওইনা তৌবীবা, থওই উশিৎপীদবগী চাং অসি থোইনা হেন্না ৱাংখৎলব্রা হায়না খল্লি। পূক্নিং ৱাখল, হকচাং পূম্নমক শোন্থরকপা মতমনি হায়বগী ওইরম্বসু য়াই, ***“অহল ওইরক্লবদি অঙাং ওল্লি”*** হায়রল্লিবসি। মসি ঙসিগী মীরোন্দা হিংলিবা নহা ওইবশিংনা হেক হেক কাউথোকপগুম তৌই। মীপূম খুদিংমক তৌই হায়বগী ৱাফমদি নত্তে। মমা মপা অমদি অহল লমনশিংবু য়াম্না ইকায় খুম্ননা অমদি নুংশিনা লোয়নবা মীগী মশীংসু ৱাত্তনা লমদম অসিদা লৈ। হায়নবা লৈ - ***“অহলগী অমাংবনা চফু মেন্নৈ।”*** অহল লমনশিংগী চঙখোল্লবা লৌশিং লৈ হায়বদু তাকপনি। হৌজিক মতমদা মসিবু য়ানীংদবা নহা ময়াম অমসু লৈ।

মতম অমদা ইমা ইবেনশিংনা মোইথাপ নাইবা, লশিং মনবনচিংবা থবক তৌনা তৌনা মখল মথেলগী ৱারী ময়াম অমা লীবিখিবদু অদুক্কী মতিক মমল য়াম্লবা লৌশিংগী পুক্কৈনি হায়বসি মখোয়না তাইবঙপান্দা লৈত্রবা মতমসিদা খঙলকই। অহল লমনশিংগী ৱাদি লাইৱা ওইরল্লে। অদুবু ঙসিদি মোবাইল ফোন, লেপটোপ্নচিংবদা থৱায় লুপশিনখ্রবা নহা অঙাংশিংনা ইমা ইবেনশিংগী চাকঙাই ফুঙ্গা ৱারী অমদি ইপা ইপলশিংগী, লৈপুং ৱারীগী মহাউ খঙবা ঙমদনা লেল্লি। লমদম অসিদা মমাঙথক্কী মীরোনশিংনা অহল লমনশিংবু ইকায় খুম্নরম্মী হায়বগী খুদম চাংদম ময়াম অমা লৈ। লুহোং-খোংদোং, লান্ন-থৌরম্নচিংবা কয়াদা চহীগী মতুং ইন্না ফমফম শেন্বগী চৎনবী লৈরম্মী। ঙসি ঙসিমকসু চহীদা য়েংলগা অহল ওইবশিংনা মমাঙদা (শমুক মমায় নৎত্রগা ভাবক মমায়) ফম্মী। লৈঙাক্লোন্দসু চীং তম অনীমক্তা লৈবা ভিলেজ কাউন্সিল শেন্বদা অহল ওইরবশিংদা খুদোংচাবা হেন্না পীবগী ৱাফম লৈরম্মী। মৈতৈ য়ূম খুদিংমক্তা মাঙ্গোলগী মখা থংবা শরুক্তা ফমেন হায়না খঙনবা মফম্বু য়ূম্বুরেন হায়বদি য়ূম অদুগী খ্বাইদগী অহল ওইরবা নুপাগীদমক মফম কন্দুনা থম্নরম্মী। মমাঙঙৈদা লাই হরাউবগী লাইবুংদা লৈবাক নিংথৌ অমদি ফম্নাইবশিংগী ফম্ফম তোঙান্না নীংথিজনা শেমদুনা থম্নরম্মী। নিংথৌ লৈঙাক লোইশিনখ্রবা মতুংদসু হরাউবুংদা ফম্নাইবশিংগী মফম অদুম্মক মখা তানা লৈরকখি। ককচীং হরাউবদা অহল ওইরবা লৌশিং চাউবা লাইরম তীল্লম খঙবশিংবু ফম্নাইবা হাপ্তুনা হরাউবুংগী লৈতেং ওইবদু থেংনজরকখি। হৌজিক মতমদদি নহা অহল খায়দবীদা এম এল এ, মিনিষ্টর, কাউন্সিল্লর, সোসল ৱার্করনি হায়বনচিংবশিংনা অদুম্মক ককচীং হরাউবগী ফম্নাইবা ওইনরে। কনাগুম্বনা হায়নবসু য়াওই মমাঙঙৈদগী চৎনরকখিবা ত্রেদিসন্দু ঙাক্না খুনগী অহল ওইবশিংবু ফম্নাইবা ওইহনবনা ফরোইদ্রা? হায়বৈ ৱানি ককচীং হরাউবগী ওইনদি অনৌবা চৎনবীনা অদুম্মক ঙমদুনা লৈরে। ঙসিগী খুন্নাই অসি মুক্লবনা পিক থল্লি। ঙসি ঙসিমকসু চহী অমা হেল্লক্লে কোভিদ-১৯গা তাইবঙ মীওইবগা মুক্লরক্লিবসি। মুক্লবা ময়ামগী মরক্তা অহল্লোন অমদি নহারোন অনীগী মরক্তা লৈরিবা ৱাখল, মীৎয়েং, থৌশু-থৌচৎ খেন্নবগী মুক্লবসু তরাই তরাইনা খনফম থোক্তে। মুক্লবসিনা মরম ওইদুনা অহল খরদি মশা মথন্তা শিজখিবগী থৌদোকসু লৈখ্রবনি। ওল্ডজ এজ হোমদা কপ্না কপ্না পুন্সি লেনবা অহল কয়াসু য়াওরি।

খৃষ্ট কুম ২০০৬তা অহল ওইরবশিংবু তাথী তাওইনা তৌবীদনবগী ৱাখল্লোন অসি মীপূম তিংনা খঙমিন্ননবা থৌরম অমা ওইনা মালেমগী থাক্তা পাঙথোকখি। মতুং তারকপদা কুমজা ২০১১দগী হৌনা য়ুনাইটেদ নেসন্সনা জুন ১৫বু ***"World Elder Abuse Awareness Day"*** হায়না মালেমগী থাক্তা পাঙথোক্তুনা লাক্লি। মালেমদা লৈরিবা অহল খরদি হীরম অমা নৎত্রগা অমদা মীওইবা ওইনা হিংবগী ফংফম থোক্লবা রাইটস মৎপীবসু কোঙ্গায়নি। অসিগুম্লবা লাইওইরবা অহলশিংনা মায়োক্নরিবা অৱাবা খুদোংচাদবা কয়া অসি মীপূম খুদিংমক্না খঙবীবগী মথৌ তাবদুনা মরম ওইরগা খোঙথাং অসি লাকখিবনি হায়বা য়াই। কুমসি চহীগী থিমদি ***"Understand and End Financial Abuse of Older People"*** নি। লৈঙাক্কী থবক তৌরম্বা অহলশিংগী ওইনদি খরা শাফরবসু শূ নোমদুনা হিংজরকপা অহলশিংনা মপাঙ্গল শোনজিল্লক্লবা শূবা নোম্বা ঙল্লক্ত্রবা মতমদা মচা-মশু ওইবশিংনা থওইবীদবগী চৈনা ফংবা কয়া অমসু লৈরিবনি। জুন ১৫গী থৌরম অসি পাঙথোকপগী মহয় খরদি শোয়দনা ফংগনি থাজে। লন্নাই ইমুং মনুংগী ওইনা খুদোং চাদবা থেংনবা অহল কয়া লৈ। মদুমক ওইদুনসু অহলশিংবু ইকায় খুম্নবা হেনগৎপগী থৌওংসু তপ্না তপ্না লাক্লি হায়বা য়াই। হন্দক কোভিদ ভেক্সিনেসনগী মতাংদসু চহী ৬০গী মথক্তা লৈবা অহলশিংদা হান্না খুদোংচাবা পীখি। মসিমক পূক্নিং থৌগৎনীংঙাইনি, অহল ওইরবশিংবু ইকায় খুম্নবনি। অহল লমনশিংবু ইকায় খুম্নবা থম্নবগী পাউজেল পীবা ফুঙ্গা ৱারী ঐখোয়গী অহল লমনশিংনা থন্বীরম্মী। **হনুবী হনুবা পান থাব**গী ৱারীদা অহল অনীবু থওই উশিৎলুদবা য়োং ময়াম অৱাফমদা তাখি। লুখ্রাবী অহল ওইরবী অমগী য়ূমদা হুরানবা চঙলকখিবা নুপা অমবু অহল অদুগী পাইরক্কী লৌশিং শীজিন্নদুনা লৈকায় মীয়াম্না ফাবা ঙমখিবগী ৱারীসু লৈ। ঐখোয়দগী নুমিৎ থা উবা হানখিবা অহলশিংবু ইকায় খুম্নরবদি তাইবঙ মপুগী থৌজালসু ফংগদবোই নীংই। ●

15TH JUNE 2021
WORLD ELDER ABUSE
AWARENESS DAY

কখোকপা অমদি অশানবা মীৎয়েং অদুমক্না ঐখোয়গী আশা ওইজহৌবনি!

- মনিসনা মঙাং -

নোককেৎ তৌবা মোমোনতা নোকপা মায়থোঙ অদুননি লুরবা থৱায় থারমদাই মীকুপফাও নোক্না-নোক্না মায় পাকপা ঙম্বা ফংঙমদবা মগুণনি কংলৈ ইমাগী ফিজিগী মনি - ঙাঙোম দিঙ্কো। পিক্লিঙৈদগী মরিল খাবা, নীংখিবা হোংদবা, খাঙবা কনবা অমদি নীংহন্নবা লৈতবা মীশকনি। পুন্সিগী লানফমদা মায় লৈদুনা চেনবগী মহুৎ লান অদুবু মায়োক্নদুনা মদুগী নুংঙাইবা মহাউ লৌখিবা মণিপুরগী অৱাং মায়কৈদগী অরংবা থৱান্মীচাক অমনি। তাইবঙ খোঙচৎনি, পুন্সিগী চৎনবীনি পোক্লবদি নোংমদি শোয়দনা অদুম মপুগী লৈকোলদা তিনখিবা হৌনবনি। লৈবাক মীয়াম্না পেন্নদ্রিবা, শোন্নরিবদি মনুং মতম চাদনা পুন্সিগী থৌদাং কয়া তুং ওইননা নীংবা কায়না পূম্নমক থাদোকখিবা অসিদনি। হকচাং পোলাংদি উবা ফংখিদবা য়াই অদুমকপু মীওই চা কয়াগী থম্মোয়দগী কুইর-কুইরগা মমি শেংলকপা অদুমক হেল্লকখিগনি। ঙাঙোম দিঙ্কো হৌরক্লিবা অমদি মায় পাকখ্রবা কয়াগী ফিদম্নফম, হোৎননীংবগী থৌনা পীখিবা অথোইবা মীওইশিংগী মনুংদা অমনি হায়বদা ককনীংঙাই লৈত্রবা ৱাফম ওইদুনা লৈরগনি।

মণিপুরগী পুৱারীদা শাগোন্নদুনা লৈরিবা লময়ানবা হিজম ইরাবতকী পুন্সি খোঙচৎতা কাউবা য়াররোইদবা **“পুংদোংবম ঘতনা”** হায়না নীংশিংনরিবা পুংদোংবম লমলেন অসিগী অৱাং থংবা শরুক্তা খুন্দারিবা লমদম **সেক্তা** - ঙাঙোম দিঙ্কোগী পোক্নফমনি। পুৱারীগী লাথুপ কয়া হাংদোক্তুনা য়েংবা মতমদা তোঙান-তোঙানবা হীরম কয়াগী হৌরকফম, অনৌ-অনৌবা ৱাখল্লোন পোকফম ওইরিবা লমলেন লমদম অসিদা পোক্লম্বনা মীয়ামনা শোন্নবীবা মীয়ামগী দিঙ্কো ওইবা ঙল্লম্বসু ওইগনি থাজে। ঈদা, লূদা, তোংদা য়াওদুনা লৈরক্লবা মথৌনা ফবা, লিংজেল খাবা, নিংখিবা হোংবা লৈতবা মহাক্কী মগুনবু অফবা মায়ওনদা, মফম চানা ওজা কয়ানা পুথোকপীদুনা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া (এস এ আই) না মীয়ামদা শক তাকচনবা তাঞ্জা অদু পীবিখি। স্পেসল এরিয়া গেমস স্কিমগী মতেংনা মেজর ও পি ভটিয়াগী লিচিং মখাদা হৌখিবা নিংহন্নবা, পেন্দবা কয়াবু তুং ওইনহনখি। সব জুনিয়র নেসনল বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ, ১৯৮৯ অম্বলাদা মশাগী শুপ্নতগী চহী ১০ শুরকপদা কেটেগোরি অসিগী মকোক ওইদুনা পূম্নমক্কী পূক্নিং চিংশিনবদা নত্তনা মতম শাংনা ঈখৌ লাংনা ইন্দিয়াগী মায় ঙাকপা ঙমগদবা বোক্সর অদুগী মঙলান ময়েক শেংবা ঙমহনখি। King’s Cup, Bangkok, 1997 অমদি Asian Games, Bangkok, 1998 দিঙ্কোগী পুন্সিদা কাউবা য়াররোইদবা মীকুপশিংনি। এসিয়ন গেমস, বেঙ্কোক, ১৯৯৮ অসিনা মালেমগী মীপূম খুদিংদা ইন্দিয়াগীসু আশা লৈবা মতিং লৈবা বোক্সর লৈরি হায়বা উৎপা ঙমখি। এসিয়ন গেমসকী সেমীফাইনেল লোইরকপদা থাইলেন্দগী মীয়াম্না থোইদোক হেন্দোক্না পাম্নবা মতমদুগী ৱর্ল্ড নম্বর ৩ Wong Prages Sontaya বু মায়থীবা পীরম্বদু পূম্নমক্কী অঙকপা ওইনখি লোয়ননা খোইশাওনরবা মীয়াম্না বোট্টুলনচিংবা লংশিল্লকপগী থৌদোক ফাও লৈখি। মদুনা থৌনা ওইরগা মতমদুগী ৱর্ল্ড নম্বর ৫ উজবেকিষ্টানগী Timur Tulyakov পু থাজদবা মওংদা মায়থীবা পীবা ঙমখিবনি। ***‘মীকুপ অসিনা ঙাঙোম দিঙ্কোবু মীয়ামগী দিঙ্কো ওইখি।’’*** সিদনি ওলিম্পিক, ২০০০দসু ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়াবা ঙমখি। ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী ফবা বোক্সর অমনি হায়দুনসু মীপূম খুদিংনা থাগৎনখি।

ওর্ফানেজ হোমদগী চাওরক্লবসু ইন্দিয়ন বোক্সিং মশান্নগী লুচিংপুরেলনি। দিঙ্কোগী মায় পাকপা মালেমদা ইন্দিয়াগী মফম চাউনা কল্লকপা উবদা হৌরক্লিবা অমদি হৌখিবা বোক্সিং শান্নরোয় লোয়ননা অতোপ্পা মশান্নশিংগী অচৌবা ইনোৎ পীবা ঙমখি। কংলৈপাক অসিবু মশক তাকপদা মৈরা পায়বা মপারিনি হায়দুনা মীয়ামগী মীনুংশিগা লোয়ননা ***‘দিঙ্কো রোদ’*** হায়দুনা মীরোল কয়াগী পুৱারীদা শোন্নদুনা লৈনরগনি। ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা অর্জুন এৱার্দ, ১৯৯৮ অমসুং পদ্মশ্রী, ২০১৩দা পীদুনা বোক্সিং মশান্না অসিদা লৌখিবা থৌদাং অদুবু শকখঙবীদুনা ইকায় খুম্নবীখি। ইন্দিয়ন নেভিগী Master Chief Petty Officer ওইরম্বদা নত্তনা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া (এস এ আই) গী কোচ ওইনসু অচৌবা থৌদাং লৌবীরম্মী। এস এ আইনা মহাক্কী মখোঙ শোন্বীরকপা অদুবু ইকায় খুম্নবা, তৌবীমল খঙবা ওইনা মহাক্কী অঙন্বা ইন্সটিট্যুট অসিগী কোচ অমা ওইনা থৌদাং খরা থম্মোয় শেংনা, কখোকপগা লোয়ননা হৌরক্লিবা মশান্না অসিগী শান্নরোয় কয়াবু লমজিংবীরম্বা ওইগনি হায়না লৌবদা থোইদোক্না লাল্লোই। দিঙ্কো, তৌগদবা থবকশিংগীদমক থিন্থবা হৈতবা মদুবু ঙম্নবা হোৎনবদা য়াম্নমক অকনবা ফিরেপ লৌরম্বা শান্নরোয় অমদি লমজিংলোই অমসুনি। ইন্টর-সর্ভিসেস মীট, ২০০৯দা দিঙ্কোনা ইন্দিয়ন নেভি টিমগী কোচ ওইনসু লমজিংবীখি লোয়ননা টিম চেম্পিয়ন ওইবসু ঙল্লকখি। নেসনল বোক্সিং চেম্পিয়নশিপস, ২০১৯, বাদ্দি (হিমাচল প্রদেশ) তা মণিপুর টিমগী হেদ কোচ ওইরম্বা অসিনা মহাক্কী অরোইবা থৌদাং ওইখি।

মীওইবা হায়বসি লান্দবা, শোয়দবা ঙমদবা তাইবঙ মপোকনি। লমজিংলোই অসিনা হিংলিঙৈ মীয়ামগী থৌগল তৌবদা অশোয়বা, অরানবা থৌদোক খরা লৈখিদবদি নত্তে, অদুমকপু থৌদোক অদুনা মহাক্কী মগুণ লেপ্পদি চুল্লোই। পেনবা নাইদবা মীওইবনি, অফবা চান্মা তৌববুদি শিংথাবীবা ৱাৎলি, অশোয়বা অমদদি অফবা ১০০গী মগুণদগী হেন্না মমিং চৎপা খুন্নাইনি। মহাক্কী অশোয়বা অদুনা খুন্নাই অসিগী শান্নরোয় কয়াগী ময়োল থুদেক্লগে হায়বদি অরোইবা য়াহিপ তাল্লমদাই মীকুপফাও খনখিবা লৈখিদে। মহাক্কী অমত্তা ঙাইরবা মঙলানদি হৌরক্লিবা শান্নরোয়শিংবু অচুম্বা, অশেংবা লম্বীদা লমজিংবীদুনা ইরমদম অসিগী মীংচৎ পুরকপা অদুখক ওইখি। চহী খরগী মমাঙদগী নারকখিবা লিভর কেন্সর অসিনা ফীভম শোকচিল্লকপদগী মহাক মখা তানা মীয়ামগী থৌগল তৌবা ঙল্লক্তবদা নীংবা কায়খি। কুমজা ২০২০গী অঙনবা শরুক্তা লৈবাক মীয়ামগী মতেং, ষ্টেট গভর্ণমেন্ট, সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্ট অমদি বোক্সিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়া (বি এফ আই) গী মতেংনা লায়েংবদা চাউনা মতেং পাংবীখি। কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসিদা কোরোনাভাইরস পোজিটিভ ওইদুনা পুন্সিগী লোইরকপা শরুক্তা অদুক্কী মতিক অৱাবা মায়োক্লখি। ৱাখলদা তৌগদৌবা থৌদাং কয়ানদি ৱাৎহৌ, হকচাংনদি নোংম-নোংমগী ফীভম শোকচিল্লক, পুন্সিগী অরোইবা মীকূপ ফাওবদা নীংঙমদবা অমগা লোয়ননা তাইবঙ থাদোকপা ঙমদনা ঙসিদি পূম্নমক থাদোক্তুনা চৎখ্রে। মীয়ামগী দিঙ্কো, ঙসিদি ঐখোয়গী ইরক্তগী উবা ফংলরোই অদুবু মহাক্কী ৱাখল্লোন, থৌনা অমদি অশানবা মীৎয়েং অদুমদি ঙসিসু লেঙদনা লৈরি। মহাক্কী ৱাখল্লোন অসিবু মঙফাওনহনবনা লমজিংলোই অসিগী মফমদা লৈরাং লৈহুল ওইনা কৎলসি...। ●

এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

ওনরেবল চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন, দেপ্যুটি স্পিকর কে রোবিন্দ্রো মীয়াম্না থাগৎফম থোকই

ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,

নোংমা ওনরেবল চীফ মিনিষ্টরনা থম্মোয় শেংনা ভিদিওগী খূথাংদা মীয়ামদা পীখিবা পাউজেলদা কনাগুম্বগী, লন্নাই য়ূমদা ওক্সিজেন সিলিন্দর লৈবা য়াওরবদি গভর্ণমেন্টতা দোনেট তৌবীয়ু, মীয়ামগী থৱায় কন্দবা য়াদে, থৱায়না লৈত্রবা লমদমদা ঐনা চীফ মিনিষ্টর ওইরুবগী করি কান্নগনি, অসুম্না রেদিও, টি ভিদা হায়বনা য়াররোই ইশানা কোয়না চৎতুনা অৱাবা তারবশিং হকথেংননা উনগনি হায়দুনা অথাপ্পা চীংগী দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরশিংদা চৎতুনা অৱাবা তারবশিং, অনাবশিং, মরী লৈনবশিং উনখিবা, ঐনা হেক ঙম্বা থাক্তা হোৎনগনি ময়াম পূক্নিং হন্থবীগনু, শোয়দনা ফগনি হায়না পীবিরম্বা পাউজেল মীয়াম্না থাগৎনরক্লি।

মণিপুরদা অফবা থবক হৌদোকপা লুবনি অদুগা হৌবু হৌদোকখ্রবা মতুং ইনবীনবা ৱাৎত্তবা লমদমনি। ওনরেবল দেপ্যুটি স্পিকর কে রোবিন্দ্রোনা য়াম্না তেনবা মতমদা ওক্সিজেন সিলিন্দর ৪০ গভর্ণমেন্টতা মতেং পাংখিবা অসি মীয়াম্না থাগৎফম থোকই। ঙসিদি মথং মথং পাংনরকপনা কয়াদি য়ামখ্রবা, ওক্সিজেনগী ৱানরম্বদু খরদি শাফরে হায়বা তারে।

হৈরোক এ সীগী এম এল এ রাধেশ্যামনা লৌরিবা থৌদাং অঙকপনি। পোৎলোইবীনবা মী লৈত্রবদা এম এল এ মশানা লুচিংদুনা পোৎলোইখিবা লোয়ননা লৈখিদ্রবগী ইমুংশিংদা লুপা লিশীং ৫০/৫০ পীবিখিবা, কয়াদা লাইবক ফখ্রবা হৈরোক এ সীগী মীয়াম।

এম এল এ জয়কিষণনা হৌদোকখিবা লোকল এরিয়া দিভেলপমেন্ট ফন্দগী লুপা লাখ ২০/২০ শীজিন্নরগা ওক্সিজেন লৈসি হায়বসিসু য়াম্না ফজে, মীয়াম্না থাগৎফম থোকই। করিগুম্বা লৈঙাক্না য়ানদুনা তৌরকপা তারবদি এম এল এ লৈজদবা এ সীশিংদি করম্না তৌগনি। হৌজিক্তা এম এল এ লৈতবা এ সীশিংদা তারিবা দষাসি লৈঙাক্না শেল হাপীদ্রবা এ টি এম বুথকা মান্নরবনি। লৈরবদি এম এল এ রুলিং ওইগেরা, ওপোজিসন ওইগেরা পীরিবা ম্যেনপৱার য়ামখ্রে। লৈঙাক্না নশাগী এ সীগী শেমজরো-শাজরো হায়দনা পীবিরবদা শীজিন্নফম খঙদনা মাঙলিবসি এ সীশিংদুগী এম এল এশিংদুগী অশোয়বা-অরানবা খরা লৈরমগনি। মসি করম্না থোক্লিবনো হায়বদু থিহৌবা মতম ওইরে।

অসুক য়ামখ্রবা লুপা, ম্যেনপৱার পূম্নমক লমখাংদা মাঙহনবা হায়বসি এম এল এ ওইবা হৈতবা মীবু মীহুৎ ওইনা খল্লুবগী দশানি। মশাখক মাঙজবতা নত্তনা এ সী অদুগী মীয়ামদুবুসু মাঙহল্লবনি। হৌখ্রবদি হৌখ্রে। ১২শুবা জেনরেল ইলেক্সন কুইদ্রে। অফবা, মতিং লৈবা, লাইরিক লাইশু মতিক চানা হৈবা, মরমচৎ ফজবা, মীচম মীয়ামগী খনবা মীশক্তো খল্লগা থাগৎপীরকউ। দেমোক্রেসি, পোলিটিক্স করিনো খঙদবা মীদা ভোট পীবগী হৈনবী তোক্লসি, হৌজিক তারিবা দষাসি অমুক হন্না তাহল্লগুমসি।

য়ৌরক্লে হায়নৈ অহুমশুবা কোভিদকা লোয়ননা ব্লেক ফঙ্গল। থেংনরসি ঐখোয় ইশা ইশানা কোভিদ ফ্রন্টনলাইন ৱারিয়র ওইনা। পোলিটিক্সকী হুন্নবা, চৈনবা লোইনা লেপখিসি। থৱায় হান্না অমুক্তা কনমিন্নখিসি। থৱায়বু লৈরবা ভোটতি তরারক লেপ্পা য়াই, তাইবঙ মপুনা থৌজানবীবা ওইরসনু।

অদোমগী - এস গম্ভির, লমলাই বজার

হুইয়েন লানপাউ পাউচেবু থাগৎচবা

ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,

কোক মনুংসিদদি ওমদুনা অদুম লৈবা, ইগে খল্লবসু হেক্তা ইবদি ঙমদনা লৈবসি খরা কুইরক্লে। করি হায়না ইসিগে খনবসু য়ূমগী পোৎকুপ-শিংকুপ ময়ামগী ৱাখলনে, ঈশৈ নোংমাইসু খরা খরা হোৎনগুম তৌ, ইঙম ঙমদবগুম্বা অমা লৈখি। মসিনা হীরমসিদা থৌশাদবদি নৎখিদে। হুইয়েন লানপাউ পাউচে অসি লৌদ্রিঙৈ মমাঙদা অতোপ্পা পাউচে খরদি লৌদুনা পারমই। অদুবু সুম য়েংলকপদা ঐগা ৱাখল্লোন মান্নজবা হায়গদ্রা, পামজরুবা হায়গদ্রা ‘হুইয়েন লানপাউ’ পাউচে অসিনা হোংলরোইদবা ওইজরি। পাবা হৌরকপগী অকক্লবা তারিখনচিংবদি খঙজদ্রগসু পাজরক্লিবসি চহী কুনগী মথক্তুদি ওইরম্লগনি নীংজে। পাউচেগী মকোক্তগী লোইবফাওবা অমত্তা চিখ্রদনা পাবখক নৎত্রগসু অপান্বা মরু ওইবা শরুকশিংদি অনম্বনা পাজরকপনি। পাজখিগনি হেক ৱাখল্লোন চানরিবমখৈ, তাইবঙপাল থাদোক্ত্রিফাওবা নৎত্রগা ইমিৎসিনা পাবা ঙল্লিবা ফাওবা।

হায়হৌদবা য়াদবা অমদি, ঐহাক পাউচে ময়াম নৈনবা, য়াম্না খঙ-হৈরবা নৈনরোই অমদি নৎচদে। ইচম চম্বা মীওই অমনি, ৱারৌবীরোই হায়জরি। পাউচে অয়াম্বা সুম য়েংজরকপদা চাউরাকপা কয়াৎ অমদি মান্নবা উজৈ। অদুবু য়াম্না মনুং হঞ্জিন্না য়েংলক্লুবদি খেন্নবা খরদি অদুম লৈ হায়জনীংই। মা মাগী ষ্টাইল অমমমদি লৈবা তাই। মসি ময়ামসিনা ৱারী অমা ওইখ্রগা, ঐখোয়গী পাউচে ‘হুইয়েন লানপাউ’ সিগী মতাংসিদা ইশাগী ওইবা মোততি, অপান্বা শরুক্না অনম্বা ওইজরি। পাবদা নুংঙাইবা ওইরি হায়জনীংই। অহানবা লমায়দগীনা অরোইবা লমায় ফাওবা চান-চানবা মওংদা লৈ। অহানবা লমায়দা য়াম্না মরু ওইবা পাউশিং, অয়েকপা ফাগি লাই ‘অস লোইরেহে’ অতৈ য়েংদ্রসু মসিমদি য়েংবা শোয়দ্রে। মথংদা মখল-মথেল, লমদমসিগী পাউ, ষ্টেটকী পাউ, এদিটোরিএল, এদিটরদা থারকপা মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অতৈ অতৈ, লৌমীশিংগী কাখল, মপানগী পাউ, লৈবাক্কী পাউ, অৱাং নোংপোক, থবক্কী পাউ, স্পোর্টস অসিনচিংবা থেংনজরি। তশেংনা নুংঙাই। পূম্নমকসিনা অমা ওইখ্রগা, ৱারেং-ৱারীনচিংবা অনম্বদি অপাবশিংবু তন্থহন্দবা ওইরে হায়জনীংই। য়ারিবমখৈ অপাবশিংবু তন্থদবা মখলগী ওইহঞ্জনীংই। মসি হায় হায়দুনা য়াম্না দরকার ওইবশিংবুদি হুন্দোক্লম্বা য়াবা নত্তে। মরক মরক্তা সাইন্স অমসুং হেল্থকা মরী লৈনবা থিজিন হুমজিনবগী ৱারেংনচিংবসু তশেংনা পেনজৈ, পূক্নিং লৌশিং ওই।

পাউচে অসিগী কলমনিষ্ট ময়াম্বু লোইনমক ঐহাক্না থাগৎচনীংই। অমমম শৈথাদুনা পঞ্জদ্রগসু পন্দবা শুকঙম ঙমদবদি, থম্মোয়গী পাউবু হেক হেক তন্বীরিবা ‘থম্মোয় পাউদম’ অমসুং মতম মতমগী ওইনা হেক হেক ৱাইবীরিবা ‘ৱাইরু ৱাইরুবদা’ ইবিরিবা ওজা অনীসিবু ঐনা থাগৎতবা শুকঙম ঙমদবসিনি। ঐগা ওন্থোক্না চানজরুরে। থাগৎচরি ওজা অনীসিবু হন্না হন্না। অতৈ ৱারেং, শৈরেং, ৱারীনচিংবা ইবিরিবশিংবুসু থাগৎচরকই হায়দুনা তন্বীয়ু।

পাউচে অসিগী এদিটর, এদিটোরিএল ষ্টাফ অমদি পাউচে অসিগী মরী লৈনবা থবক থৌরম কয়া পুবিরিবা খুদিংমকপুসু ঐহাক্না ইকায়খুম্নজবগা লোয়ননা থাগৎচরি। মথংদা অমুক পাউচে অসিগীদমক চাং নাইনা ৱারেংনচিংবা ইবিরিবা খুদিংমকপুসু থাগৎচনীংই। ঐহাক্না ৱাখল তিন্নবনা অনম্বনি। মতম শাংনা পূম্নমক শোয়দ-ঙামদনা, কোভিদ লাইচৎ মায় পাক্না থেংনবা ঙম্বগা লোয়ননা মখা চথবা ঙম্বা ওইবীয়ু।

অদোমগী - এন কুঞ্জকিশোর
চীংঙারেল টেজপুর

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।